

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, MARCH 17, 2018 PAGE 7




*মধ্য প্রদেশকী সিটি গ্বালিয়রদা পাঙথোকপা য়ুএস দোল্লর ২৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আইটিএফ ইভেন্টতা রুশিয়াগী য়ানা সিজিকোভাগা শান্নবদা মায় পাক্তুনা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী অনকিতা রাইনা*

*ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমদা মরুওইবা বোল্লর অমা ওইবগী থৌদাং লৌরিবা মহাক্কী লোয়নবীনা করপসন অমদি য়ুমদা ফু–চৈবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকখিবা কেস অমগী মরম্না আইপিএল শরুক য়াবা ঙম্রোইদৌরিবা মোহমদ সামী*

## ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপাগীদা প্রনোই ক্বার্টর চঙখ্রে



*ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টনগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী সিন্ধু (ওই) অমদি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী প্রনোই*

*বিরমিংঘাম, মার্চ ১৬ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা বেদমিন্টন শান্নরোই পি ভি সিন্ধুনা ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংঘামদা চথরিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ কী নুপীগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ঐচ এস প্রনোই মহাক্কী মেটচ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা নুপীগী সিঙ্গলসকী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নোজোমী ওকুহারাগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদু য়াম্না নক্কনা ওকুহারানা ২২–২০ দা থোইখি।

গেম অমা শোথরবসু ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুগী মায়কৈদগী নীংহন্নবা তৌদনা মহাক্কী মশান্নদা পূক্নিং চঙশিন্দুনা অনীশুবা গেম অদু ২১–১৮ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মায় পাক্কখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুগী হৌরকপা লম্বা মান্নদুনা অমনা অমগী পোইন্ট লাকশিনবা ঙম্নদনা লাকখিবনি। মায়কৈ অনীমক পোইন্ট ১৮–১৮ লৌনরগা করম্বা শান্নরোইনা মায় পাক্কদগে হায়বদু পাবদা অৱাবা অমা ওইখি।

অদুবু ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মখা তাবা পোইন্ট অহুম লৌদুনা জপানগী ওকুহারাবু ২১–১৮ দা অনীশুবা গেমগী স্কোরগা মান্নন থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

সিন্ধুনা সেমি ফাইনেলদা স্পেনগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই কেরোলিনা মারিন অমসুং অনীশুবাসিদেদ শান্নরোই জপানগী অকানে য়ামাগুচি অনীগী অথোইবগা থেংনরগনি।

নুপীগী অতোপ্পা সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেলদা মায় পাকপা ঙমদুনা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী শান্নরোই অনী অদুদি টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন অমদি নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং অমসুং চাইনাগী চেন ৱাই এফনি।

টাই ঝু য়িংনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জপানগী অয়া ওহোরীবু ২১–১২, ২১–১৩ দা থোইরম্বনি। অমরোমদা টাই ঝুগা সেমি ফাইনেলদা থেংনগদৌরিবী চাইনাগী চেন ৱাই এফনা দেনমার্ককী মিয়া বিসফেল্টপু ২১–১৭, ২১–১২ তা থোইরম্বনি।

চথরিবা ওল ইংলেন্দ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোই ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। প্রনোইনা মহাক্কী প্রি–ক্বার্টরদা ইন্দোনেসিয়াগী টোমী সুগিয়ার্টোবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১০, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি।

মহাক্না সেমি ফাইনেল য়ৌননবগীদমক ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই কিদম্বি শ্রিকান্থপু ২১–১১, ১৫–২১, ২২–২০ দা থোইরম্বা চাইনাগী ৱাং ৱাই এক্নকা থেংনরগনি।

ঙসি অথেংবদা নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচ অমদা লম্বা তৌনখিবা শান্নরোই অনীগী মরক্তা সি য়ুকিনা চেন লোংবু ২১–১০, ২১–৭ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

## ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুসিয়া টিমশিংগী প্রোফাইল –১৩ (উরুগ্বে)

এল. কালা সিংহ, উরিপোক

মশান্না কয়াগী মরক্তগী ফুটবোল মশান্না অসি য়েংবদা পূক্নিং পেন্না হুবা ঙম্বা ফজবা তনৌ তনৌবদি মানবা অকনবা কয়ানা পূক্নিং ৱাখল চাং মান্ননা শান্নরিবমখৈ য়েংবগী পেনবা নাইদ্রবা মশান্না অমনি হায়বা তাই। মসিমক্না ওইবা তাই পৃথিবগী মীয়াম্না মশীং খ্বাইদগী য়াম্না পাম্না য়েংনরিবা মশান্না অমা ওইরিবসি। ‘ফুটবোলগীদমক শীগনি, ফুটবোলগীদমক হিংখিগনি’ হায়বা মীওই কয়া অমা পৃথিবীগী লৈবাক খুদিংমক্তা লৈদুনা হোৎনবনা ফুটবোল মশান্না ৱার্ল্ড কপ খুদিংদা অয়েংবশিংনা কাউঙমলোইদবা অঙক–অঙকপা মশান্নগী থৌদোক কয়া উদুনা লাক্লি। অফবগী লৌশিং, ফত্তবগী লৌশিং অনীমকপু অমত্তা ওইনা শিজিন্নবা য়াবা উখোকপা য়াবা তম্বগী লোইদ্রবা মহৈনো থল্লবা ফুটবোল মশান্ননি। পৃথিবীগী মীশিং শরুক ৪ (মরি) থোকপগী ৩ (অহুম) বু মীৎয়েং চিংশিনবা ঙমগদৌরিবা ২১ (কুনমাথোই) লক শুবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়ানা খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈবা মতম য়াম্না নকশিল্লকপগা লোয়ননা ক্বালিফাই ওইরবা লৈবাক ৩২ (কুন্থ্রানিথোই) গী মহুৎ শিন দুনা শান্নগদবা শান্নরোইশিংগী পূক্নিং ৱাখল তনিক তনিক লাংতক্নবসু হেনগৎনরকপা মতম হায়বদু ওইরে। লাংতক্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা খা অমেরিকাগী খা থংবদা লৈবা অপীকপা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমসু ওইরিবা উরুগ্বে লৈবাকসু রুশিয়া টিকেৎ ফংদুনা তনিক তনিক ফেংদুনা ঙাইদুনা লৈরি। ফুটবোল মশান্নগী ইতিহাস শেম্লকপদা কাউবা য়াররোইদবা অমদি য়ুরোপতগী লৈবাক ৪ (মরি) নোর্থ অমেরিকাদগী লৈবাক ২ (অনী), অদুগা সাউথ অমেরিকাদগী ৭ (তরেৎ) পুন্না লৈবাক ১৩ (তরাহুমদোই) না শরুক য়াদুনা উরুগ্বে লৈবাক্কী কোনুং ওইরিবা মোনটেভেদিও সহরদা অহানবা ওইনা ১৯৩০, জুলাই ১৩ (তরাহুমদোই) দগী ৩০ (কুন্থ্রা) ফাওবদা পাঙথোকখিবা ফিফাৱার্ল্ড কপ অসি ফুটবোল মশান্নগী শেংলবা মুৎনাইররোইদ্রবা অহৌবা ফম্বাকনি লংথোক্লম্বা য়াররোইদবা ইতিহাস। অদুগা উরুগ্বে লৈবাক্কীসু কাউঙম্লরোইদ্রবা মীৎকুপ অমনা অহানবা পাঙথোকপা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ১৯৩০ গী ফাইনেলদা মেটচতা য়ুমথংনরিবা লৈবাক আর্জেন্টিনাবু ৪–২ (মরি–অনী) দা থোইদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ট্রোফি মপু ওইবা ঙমখিবসিনি।

উরুগ্বে লৈবাক ১৮২৫, ওগষ্ট ২৫ (কুনমঙা) দগী নিংখা তম্লবা লৈবাক অমা ওইনা মশা মতোমতা লৈঙাকচবা ওইরকখি। উরুগ্বে লৈবাক অসি আর্জেন্টিনা, ব্রাজিল অমসুং সাউথ অটলান্টিক ওসিন্না অকোইবা ওইবা কোষ্ট লাইননা কিলোমিটর ৬৬০, পাক চাওবনা স্কৱার কিলোমিটর ১৭৬,২১৫ মীশিংনা ৩,৩৩২,৯৭২ (২০১৫) বিলো পোভরটি লাইন ১৮.৬ পার্সেন্ট, লোলনা স্পেনিস, ধর্ম্মনা রোমান কেথোলিক ৬৬ পার্সেন্ট ওইবা অতোপ্পা ৩১ পার্সেন্ট, জিউ ১ পার্সেন্ট, প্রোটেষ্টেন্ট ২ পার্সেন্ট, লাইরিক হৈবগী চাংনা ৯৮ পার্সেন্ট, লাইফ এক্সপেকটেন্সি ৭৬.৩৬ পার্সেন্ট, লৈবাকসিগী শরুক ৩ (অহুম) অমদি নাপী ফজনা মরাং কায়না হৌবা যণ অমসুং য়াও মরাং কায়না য়োকপগী মমিং লৈরিবা লৈবাক্নি। উরুগ্বেনা ফুটবোল মশান্না হৈথোই শিং থোইবদগী য়ুমথংনরিবা লৈবাক আর্জেন্টিনা অমসুং ব্রাজিল অনীসিসু পৃথিবীদা ফুটবোল হৈবগী মনুং চল্লিব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ওইরিবনি নৎত্রগা উরুগ্বেনা ওইরিব্রা? উরুগ্বে ফুটবোল এসোসিয়েসন ঙসিদগী চহী ১১৭ কী মমাঙ ১৯০০ মার্চ ৩০ দা লিংখৎতুনা ১৯২৩ দা ফিফা এফিলেশন ফংদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৪ ফাওবদা ১২রক য়াওবা ঙমদুনা ১৯৩০ অমসুং ১৯৫০ অনীরক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে, ১৯৫৪, ১৯৭০, ২০১০ দা অহুম্লক অমসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা মরিশুবা অহুম্লক তাবা ঙমখ্রে। ১৯২৪, ১৯২৮ সম্মর ওলিম্পিক গেমসতা ফুটবোল মশান্নদা গোল্ড মেডল লৌখি। ফিফানা শকখঙবা অমেরিকাগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোপা অমেরিকা ফুটবোল কপ অসি ১৫ (তরামঙা) রক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা উরুগ্বে লৈবাক হন্দক অমুক ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮–রুশিয়া, য়ুম্বু রুশিয়াগা পুন্না গ্রুপ ‘এ’ দা তাদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন্দি ইকোম কোম্না চঙলগনি হায়না মতম অমগী দিফেন্দর শান্নরম্বা ওস্কার টালেরেজনা হেদ কোচ ওইনা পৃথিবীদা গোল চনগনবা শান্নরোইশিংগী মনুং চল্লিবা সেন্টর ফোরৱার্দ শান্নবা লুই স্বারেজনা করম্না গোল চনবা য়েংবা তারি। লুই স্বারেজ ফুটবোল মশান্নদা য়াম্না কা হেন্না হৈথোই–শিংথোইবা উৎপা ঙম্বা তোঙানবা পীথোরকপা খরা য়াওবা শান্নরোইনি। য়েংসি।

## য়ুরোপা লীগ ফুটবোলদা ইটালিগী লাজিও, ফ্রান্সকী মার্সিয়েল, পোর্টুগালগী স্পোর্টিং সিপি অমসুং জর্মনিগী রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিক ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে




*ইটালিগী লাজিও ফুটবোল ক্লবকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা*

*কিয়েভ, মার্চ ১৬ ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবকী লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা য়ুরোপা লীগকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা তোঙান–তোঙানবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা মনুংদা ইটালিগী লাজিও, ফ্রান্সকী মার্সিয়েল, পোর্টুগালগী স্পোর্টিং সিপি অমসুং জর্মনিগী রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিক য়াওরি।

য়ুক্রেনগী কোনুং কিয়েভতা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল নোক আওট ষ্টেজগী অনীশুবা লেগকী মেটচতা য়ুম্বু দাইনামো কিয়েভবু ইটালিগী লাজিওনা পাঞ্জল ২–০ দা থোইখি।

পনবা য়াই টিম অনীনা অহানবা লেগ শান্নবদা পাঞ্জল ২–২ চন্নরগা ড্রো চৎখিবনি। ঙসিগী মেটচ অদু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী চপ চাবা খুদোংচাবা লৈবা মরম্না লম্বা মান্নরকখি।

শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা লাজিওগী মায়কৈদগী লুকাস লৈভানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা য়ুম্বু দাইনামো কিয়েভবু পাঞ্জল থাখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

টিম অনীনা মখা তানা অনীশুবা হাল্ফতা অকনবা লম্বা তৌনবদা য়ুম্বু ওইখিবা দাইনামো কিয়েভকী মায়কৈদগী পাঞ্জল হনে দাক্নবা হোৎনবদা শান্নরোই অনী চৎন–পত্থাপকী ৱাংমদা বোল মুননবা হোৎরুবগীদমক য়েল্লো কার্দ ফংখি।

শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা লাজিওগী ষ্টেফান দি ব্রিজনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না দাইনামো কিয়েভবু ২–০ দা থোইরগা এগ্রিগেটতা ৪–২ দা হেন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা স্পেনগী এঠলেটিক বিলবাওবু অনীশুবা লেগতা পাঞ্জল ২–১ দা থোইরগা এগ্রিগেটতা ৫–২ দা হেন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

টিম অনীগী অহানবা লেগতা মার্সিয়েলনা ৩–১ দা মায় পাকখিবনি। অদুগা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা লেগ অদুদসু মখোয়না এঠলেটিক বিলবাওবু ২–১ দা থোইবা ঙমখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা মার্সিয়েলনা ফংখিবা পেনাল্টি অমা দিমিত্রি পায়েটনা পাঞ্জল ওন্থোকখি। টিম অদুমক্কী লুকাস ওকাম্পোসনা ৫২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা মতুং শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা বিলবাওগী ইনাকি ৱিলিয়মসনা পাঞ্জল অমা হন্দোকখিবনি।

পোর্টুগালগী স্পোর্টিং সিপি অমসুং জেক রিপব্লিক্কী ভিক্তোরিয়া প্লিজেননা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টরগী অনীশুবা লেগ অদু প্লিজেননা ২–১ দা থোইবা ঙম্লবসু অহানবা লেগতা স্পোর্টিং সিপিনা ২–০ দা মায় পাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা এগ্রিগেটতা প্লিজেনবু স্পোর্টিংনা ৩–২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

অনীশুবা লেগ অদুগী হৌরকপা ৬শুবা মিনটতা ভিক্তোরিয়া প্লিজেনগী মারেক বার্কোসনা একাউন্ট হাংদোকখি। পাঞ্জল অদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ১৯ চঙশিল্লকপদা মারেকনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা মখা তানা স্পোর্টিংবু হেনখি।

৯০শুবা মিনটতা স্পোর্টিংগী মায়কৈদগী পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওইহৌদবদগী এগ্রিগেটতা পাঞ্জল ২–২ লৈনরকপনা এক্সত্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকখি। এক্সত্রা টাইমগী ১৫শুবা মিনটতা স্পোর্টিংগী মায়কৈদগী রোদ্রিগো এন্দ্রিজনা পাঞ্জল অমা চল্লগা মেটচ অদু লোইশিনখি।

অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ অমদা জর্মনিগী রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিক রুশিয়াগী জেনিট সেন্টপিটর্সবর্গকা শান্নবদা পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখি।

অদুবু অহানবা লেগকী মেটচতা রাসেনবোলস্পোর্টনা পাঞ্জল ২–১ দা থোইখিবা অদুনা মরম ওইরগা এগ্রিগেটতা মখোয়না জেনিট সেন্টপিটর্সবর্গপু ৩–২ দা হেন্দুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।




*ফ্রান্সকী ক্লব মার্সিয়েলগী শান্নরোইশিং পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা*

## নম্বর ৱান শান্নরোই স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা সাউথ কোরিয়াগী চুং হিয়োনবু মায়থিবা পীদুনা বিএনপি পরিবাস ওপনগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে



*বিএনপি পরিবাস ওপনগী নুপাগী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা স্বিজরলেন্দগী ফেদরর*

*ইন্দিয়ান ৱেল্স, মার্চ ১৬ ঃ*

য়ুএসএগী সিটি ইন্দিয়ান ৱেল্সতা চথরিবা টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান ৱেল্স (বিএনপি পরিবাস ওপন) টেন্নিসকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা সাউথ কোরিয়াগী চুং হিয়োনবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

রোজর ফেদররনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা মকোক থোংবা শান্নরোই অনী মায়থিবা পীদুনা নৌনা নুপাগী টেন্নিসতা মচিন তুমখৎলক্লিবা সাউথ কোরিয়াগী চুং হিয়োনগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেটতা য়াম্না লম্বা মান্নরগা ফেদররনা ৭–৫ দা সেট অদু থোইখি।

মেটচ অদুগী অনীশুবা সেটতা টেন্নিস মশান্নগী রেকোর্দ কয়া থম্বা ঙমখ্রবা রোজর ফেদররনা সাউথ কোরিয়াগী নহা টুর্নামেন্ট অসিগী ২৩শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা চুং হিয়োনবু কা–হেন্না লাকশিনবা ঙমদুনা সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌরগা সেট অদু ৬–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

রোজর ফেদররনা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন দরসনবু মায়থিবা পীরম্বা ক্রোএসিয়াগী বোর্না কোরিকক থেংনরগনি। কোরিকনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এন দরসনবু ২–৬, ৬–৪, ৭–৬(৭–৩) দা থোইরমখি।

বিএনপি পরিবাস ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা য়ুএসএগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ ভেনস ৱিলিয়মস অমসুং রুশিয়াগী ২০শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী দারিয়া কসাটকিনাগা সেমি ফাইনেল থেংনরগনি।

ভেনস ৱিলিয়মসনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নভারোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা দারিয়া কসাটকিনানা জর্মনিগী টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা সিদেদ শান্নরোই এঞ্জেলিক কর্বরবু ৬–০, ৬–২ দা থোইরমখি।

য়ুএসএগী কালিফোর্নিয়াগী ইন্দিয়ান ৱেল্স সিটিদা পাঙথোক্লিবা বিএনপি পরিবাস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা মকোক থোংবা পেয়র রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভা অমসুং এলিনা ভেসনিনাগা চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাগী পেয়রগা লম্বা তৌনরগনি।

রুশিয়াগীপেয়র অদুনা সেমি ফাইনেলদা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–২ দা থোইরমখি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদনা কানাদাগী গাব্রিয়েলা দাব্রোস্কি অমদি চাইনাগী ঝু য়িফানবু চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা ৭–৬(৭–২), ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিমক্কী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী পেয়র অনী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মমাঙদা নুপাগী দবলসকী নম্বর ৱান রেঙ্ক চহী কয়া ফংদুনা লাকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ৭শুবা সিদেদ পেয়র ওইখিবা য়ুএসকী বোব ব্রাইন অমসুং মাইক ব্রাইননা স্পেনগী হোরাসিও জেবালোস অমদি উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাসকী পেয়রগা থেংনরগনি।

ব্রাইন ফাইবোক্না ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এম দেনিয়েল অমদি আর্জেন্টিনাগী পেয়র দি স্বাটচমেনবু ৭–৫, ৬–১ দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা উরুগ্বেগী কিবাস অমসুং আর্জেন্টিনাগী জেবালোসনা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুএসএগী সাম ক্বেরি অমদি লুজেমবর্গকী গাইলস মুল্লরবু ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরমখি।

অতোপ্পা নুপাগী দবলসকী সেমি ফাইনেলদা য়ুএসকী পেয়র জোন ইসনর অমসুং জেক সোকনা ক্রোএসিয়াগী মাটে পাভিস অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক্না থেংনরগনি।

ইসনর অমসুং সোকনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেলদা ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগ অমসুং য়ুএসএগী রজিব রামবু ৭–৬(৭–২), ৭–৬(৭–২) দা থোইরমখি। মখোয়গা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা পেয়র অদু টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পাভিসনা স্পেনগী পেয়র ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং মার্ক লোপেজবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।